# ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা বাউতা চান্দেলগী মাংতে লোয়াসিং কোমনা ইম্ফাল ইষ্টকী নিকেস মায়থিবা পীখ্রে



*অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা বিজয় কোইজম অমদি অতৈ প্রসিদিয়ম মেম্বরশিংগা লোয়ননা বাউত হৌদোকখিবা*

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ঃ

মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী বোক্সিং এরেনাদা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ফোর মেন এন্দ ৱুমেন ২০১৮ ঙসি হান্নগী মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা অমসুং হৌজিক হৌজিক বেদমিন্টন এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবা বিজয় কোইজমনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা শান্নখিবা জুনিয়র মেন্স ৫৪ কেজি বাউত্তা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট মাংতে লোয়া সিংহ কোমনা ইম্ফাল ইষ্টকী এল নিকেস সিংহ মায়থিবা পীখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ১৪ দগী লাকপা নুপী বোক্সর ১০৮ অমসুং নুপা ২৪৪ পুন্না বোক্সর ৩৫২ না শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী অনীশুবা মেটচতা সব-জুনিয়র নুপামচাগী কেজি ৪৮ গী কাংলুপকী বাউত অমদা উখ্রুলগী অচুংপম কাপিংনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কী ঐচ সেলতনবু মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী ঙসি অহুমশুবা বাউতা শান্নখিবদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ঐচ রোহিদনা সেনাপাটিগী রোনাল্ডো য়ুমখাইবমবু মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা চপ মান্নবা কেতেগোরি অসিগী শান্নখিবা বাউতশিংদা ককচিংগী এ প্রেমচান্দনা তামেংলোংগী এন অবোই মৈতৈ, চুরাচন্দপুরগী এল সাইচুঙম কোমনা চান্দেলগী টি ঐচ বিকিরাজ অমসুং বিষ্ণুপুরগী এল রাধেশ্যামনা কামজোংগী এম তোনিবিয়র মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা জুনিয়র মেন্স ৫৪ কেজিগী ঙসি শান্নখিবা বাউতশিংদা ককচিংগী এসঐচ য়াইফবনা কাংপোকপীগী এল সন্নি কোম, বিষ্ণুপুরগী কেঐচ মালেমঙান্বনা থৌবালগী এন প্রেমকান্ত, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল এদিসননা উখ্রুলগী ওক্লিন সাইজা অমসুং জিরিবামগী এস বিক্তর না তেংনৌপালগী ঐচ জেক্সনবু মায়থিবা পীখি।

জুনিয়র মেন্স ৫৭ কেজি কেতেগোরি বাউত অমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল রবিচন্দ্র না চুরাচন্দপুরগী সিঐচ রতনবু মায়থিবা পীখি।

য়ুঠ মেন ৫৬ কেজি কেতেগোরিগী বাউতশিংদা কাংপোকপীগী কামতিনথাং কিপজেননা বিষ্ণুপুরগী এম সোমোরজিৎ অমসুং চুরাচন্দপুরগী এল খাগেংঙান্বনা তেংনৌপলগী কেঐচ মানিমতুমবু মায়থিবা পীখি।

অতোপ্পা সেনিয়র মেন্স ৫৬ কেজি কেতেগোরিগী বাউত্তা তেংনৌপলগী পিঐচ মৈত্রাজিৎনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কেঐচ য়াইফবা অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এ রোনাল্ডোনা উখ্রুলগী টিঐচ ফুংসোক মায়থিবা পীখি।



চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ৰাই ইরবোত সিংহ না থৌরম মপু অদুগা আই জি এদিএম মুইভা, মেরিকোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দেসনগী মেনেজিং দাইরেক্টর ওনখোলর কোম, নহারোল থৌদাংগী ইদিটর খোইরোম লোয়া, মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অনী এম মোধুসুদোন অমসুং এন রাজেন্দ্রো সিংহ না অখন্নবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# ১৪শুবা গভর্নর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ এমপিএসসি গী রাজেশ্বর, রেবিকা অমসুং দাইনানা সেনিয়র কেতেগোরি ইভেন্টশিংদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে



*সেনিয়র কেতেগোরিগী গোল্ড মেডলিষ্ট রেবিকা, দাইনা, রাজেশ্বর, বোম্মাই অমসুং অজিৎকুমার (ওইদগী)*

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ঃ

মণিপুর ফেন্সিং এসোসিয়েসনন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক্কী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ১৪শুবা গভর্নর্স কপ ষ্টেট লেভেল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র কেতেগোরিগী নুপা অমসুং নুপীগী ফোইল, ইপি অমসুং সেবর ইভেন্টশিংদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী ফেন্সর অহুম, সাই আর সি গী ফেন্সর অনী অমসুং ও এল এ গী ফেন্সর অমা গোল্ড মেডলশিং লৌবা ঙমখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী গোল লৌখিবা ফেন্সরশিং অদুদি-টি ঐচ রাজেশ্বর সিংহ না নুপাগী ফোইল ইভেন্টতা, আর কে রেবিকা অমসুং টিঐচ দাইনা দেবী না নুপীগী ইপি অমসুং সেবর ইভেন্টতা অদুগা সাই আর সি গী ফেন্সর অনী টিঐচ বোম্মাই অমসুং টি ঐচ অজিৎকুমার না নুপাগী ইপি অমসুং সেবর ইভেন্টতা অমসুং ও এল এ গী ফেন্সর দব্লিউ থোইবী না নুপীগী ফোইল ইভেন্টতা লৌখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তোঙান তোঙানবা ক্লব ১৪দগী লাকপা নুপী শান্নরোই ১৪০ অমসুং নুপা শান্নরোই ১৭১ পুন্না শান্নরোই ৩১১ না শরুক য়ারি।

নুপাগী ফোইল ইভেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মণিপুর পুলিসকী টি ঐচ রাজেশ্বরনা মিসিখোলগী টিঐচ রজিবপু পোইন্ট ১৫-৬ তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইভেন্ট অসিদা ও এল এ গী শান্নরোই অনী এম পুন্সিবা সিংহ অমসুং দব্লিউ রোসননা ব্রোঞ্জ মেডল শিং লৌখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীগী কাংলুপ্তা মিসিখোলগী এস বিন্দুনা সিলভর মেডল অদুগা এস এ গী কে ওসিন অমসুং মণিপুর পুলিসকী দব্লি রোজিনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং লৌবা ঙমখি।

নুপাগী ইপি ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচতা সাইগী বোম্মাইনা এস দব্লিউ সি গী এ লেনিনবু পোইন্ট ১১-১০ দা মায়থিবা পীখি।

ইভেন্ট অসিদা ও সি গী টি ঐচ ফেমতোন অমসুং মিসিখোলগী এস জয়েন্তনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং লৌখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীগী কাংলুপ্তা মণিপুর পুলিসকী এম সন্ধ্যারানি না সিলভর মেডল অদুগা উপাগী এস চিংখৈঙান্বী অমসুং সাইগী এস কিরনবালা অনীনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সেবর ইভেন্টতা সাই আর সি গী টি ঐচ চাবিনা সিলভর মেডল অদুগা এস দব্লিউ সি গী এন সোলিক অমসুং মিসিখোলগী অরুনকুমারনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীগী কাংলুপ্তা উপা ক্যাম্পগেগী এস হিরোন না সিলভর মেডল অদুগা মণিপুর পুলিসকী ঐচ অরনাপ্রিয়া অমসুং মিসিখোলগী এন নিসা চনুনা ব্রোঞ্জ মেডলশিং লৌবা ঙমখি।

# মরিশুবা গম্ভিনি লৈমা নিংশিং কাং টুর্নামেন্ট থাংমৈবন্দ এ কাংখুৎনা কৈশামথোং কাংখুৎপু মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ২৬ঃ

থাংমৈবন্দগী লাইজিং নিংথৌ কাংশঙদা জোটিন ৰাইখোম না স্পোন্সর তৌদুনা চথরকখিবা ৪শুবা ৰাইখোম গম্ভিনি লৈমা নিংশিং কেন্দ্র ৰাইজ লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ-সিগী লীগ মেটচ অমদা থাংমৈবন্দ-এ কাংখুৎনা কৈশামথোং কেন্দ্র কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৯-১৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা টিম ১০ না গ্রুপ-মরি থোক্লুনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা অহানবা হাল্ফকী শান্নখিবদা পাঞ্জল ১০ লৌবা ঙমখি। অদুগা কৈশামথোংনা পাঞ্জল ৭ লৌদুনা থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল ৩ হেন্দুনা লিদ তৌখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা থাংমৈবন্দনা পাঞ্জল ৯ লৌবা ঙমখি। অদুগা কৈশামথোংনা পাঞ্জল ১০ লৌখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল ২ দা থাংমৈবন্দগী মখুৎতা মায়থিখি।

মায় পাকখিবা থাংমৈবন্দ এ গী শান্নরোইশিং অদুদি টি ঐচ জয়চন্দ্র, ঐচ লালা, এস কৃষ্ণনাকুমার, কেঐচ পিশক, ঐচ ইনাওচা, টি ঐচ মানি, সিঐচ থোইবা, টিঐচ গোপাল, টিঐচ জয়েন্ত, টিঐচ জোনিকুমার অমসুং এস দোরেন্দ্রো মৈতৈ নি।

কৈশামথোং কাংখুৎকী শান্নরোইশিং অদুদি এল বন্দন,ও কোবা, ঐচ কুমার, ও নাবদিপ, ও ইবোহল, এসঐচ শ্যামসুন্দর, পিঐচ তোঞ্জাও, এন সরত, এন গান্ধি অমসুং এন দোদো নি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা য়াইস্কুল কাংখুৎ অমদি হৈঙাং কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# স্প্রিংফিল্ড ইংলিস স্কুল ৰাংজিংনা ৫৯শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট সুব্রোতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অন্দর-১৪ অমসুং ১৭গী ৱিন্নর ওইখ্রে




ইম্ফাল, জুলাই ২৬ঃ

দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস থৌবালনা শীন্দুনা ৫৯শুবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো কপ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ফোর অন্দর-১৪ এন্দ ১৭ ঙসি ৰাংজিংদা লৈবা কোদোম্পোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোইশিনখিবগা লোয়ননা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুল ৰাংজিংনা কেতেগোরি অনীমক্কী ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অন্দর-১৪ কেতেগোরিদা টিম ১১ না গ্রুপ-অনী থোক্লুনা থা অসিগী ২৩ গী শান্নবা হৌরকখিবনি। অদুগা অন্দর -১৭ কেতেগোরিদা টিম ৪ না শরুক য়াদুনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌদুনা শান্নখিবনি।

অন্দর -১৪ বোইজকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুলনা ব্রিলেন্ট একাদেমী থৌবালবু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

স্প্রিং ফিল্ড স্কুলগী য়াম্না মরুওইবা অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু কে য়ুরেম্বনা অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অন্দর-১৭ গী ফাইনেল মেটচতা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুলনা তেন্থা মোদেল স্কুলবু তাই ব্রেক্তা গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

টিম অনীমক্না অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

তাই ব্রেক্তা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুলগী শান্নরোই মরি-সন্নি, প্রেমজিৎ, বেনরজিৎ অমসুং জেমসনা মখোয়না কাওখিবা স্পোট কিকশিং অদু গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

অদুগা তেন্থা মোদেল স্কুলগী মাইকৈদগী শান্নরোই অহুম রোবিনচন্দ্র, জয়সনা অমসুং বুংচানা গোল ওন্থোকপা ঙমখিবনি।

কেতেগোরি অসিগী ঙসি অয়ুক শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা স্প্রিং ফিল্ড ইংলিস স্কুলনা য়াইরিপোক হায়স্কুল অদুগা তেন্থা মোদেল স্কুলনা মুনিরা ইংলিস স্কুল সঙাই য়ুম্ফমবু মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখিবনি।










Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*